সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল

# ওটখোসোগী গোল ৪গী মতেংনা ভি এস এনা টি ভি এস এফ এবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস): সী ঐচ ওটখোসোনা চনখিবা গোল ৪ অমদি জাকির হুসেন অমসুং এম দি অকবরনা চনখিবা গোল অমমম্গী মতেংনা ভেটরান সোক্কর এসোসিএসন (ভি এস এ) সোরানা থোকচোম বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি (টি বি এস এফ এ) তাওবুংখোকপু ৬-২দা চথরিবা ৪শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা ভি এস এ সোরা অমদি টি বি এস এফ এ তাওবুংখোক অনীনা শান্নখিবা মেটচতা সোরাগী সী ঐচ ওটখোসোনা শান্নবগী ২৬ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা জাকির হুসেননা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা সোরা টিমগী গোল অমগা হাপচিন্দুনা তাওবুংখোক টিমবু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

ওটকোসোনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৩৯ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্কী হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ৫৭ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী মরিশুবা অমদি মায় পাকপগী ৬শুবা গোল অদুনা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৫৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি। এম দি অকবরনা শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতা সোরা টিমগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি।

তাওবুংখোক টিমগী গোল ২ অদুনা এ রাজু অমদি ঐচ নোবিননা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫১ অমদি ৫৬ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি এ শাফবনা তাওবুংখোক্কী শান্নরোয় টি ঐচ বাবুলবু শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

অমরোমদা, চপ মান্নবা মফমদা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা টি বি এস এফ এ এফ সী তাওবুংখোকনা সির্টি চান্দেলবু ৬-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

জি পান্টিলুংনা শান্নবা হৌরকপগী ৫শুবা মিনটতা তাওবুংখোক টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা কে ঐচ রঞ্জিৎনা শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা তাওবুংখোক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা ডা. টি ঐচ জয়সননা চান্দেলগী অহানবা গোল চনখিবগা লোয়নননা ১-২দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টি বি এস এফ এ এফ সীনা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা কে হেরোজিৎনা শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা তাওবুংখোক টিমগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। ঐচ সদানন্দনা শান্নবগী ৬৯ শুবা মিনটতা মায়পাকপা টিমগী ৫শুবা গোল চনখি। অদুগা ওইনাওচানা শান্নবগী ৫৯ শুবা মিনটতা তাওবুংখোক্কী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা গোল ১গা হাপচিন্দুনা চান্দেল টিমবু লাকচনা ৬-১দা মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা এম ইনাওনা সেন্টর রেফরি, এল রাজা অমদি এস ওনিলনা এসিস্টেন্ট রেফরি, এল গোকুলানন্দনা ফোর্থ ওফিসল অদুগা এস জেমসকুমারনা মেটচ কম্মিস্নর ওইনা শরুক য়াখি।

দব্লিয়ু জয় ষ্টেট য়ু-১৪ হোক্কী

# টি দব্লিয়ু সীনা ৱাই সী সী আই সী মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট হোক্কী য়ুনিটকী লমজিং মখাদা হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা শীন্দুনা লাইরিকয়েংবম লৈকাই গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা দব্লিয়ু জয় সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল য়ু-১৪ বোইজ এন্দ গর্লস ৬-এসাইদ হোক্কী টুর্নামেন্টকী ঙসি নুপীমচাগী পুল বিগী শান্নখিবা মেটচ অমদা টি দব্লিয়ু সী তাওবুংখোকনা ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপপু ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা তাওবুংখোক্কী নুপীমচাশিংনা শান্নবা হৌরকপদগী খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়নননা টি লনচেনবীনা শান্নবা হৌরকপগী ৪শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংদগী মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তানা তাওবুংখোক্কী সী ঐচ জেরিনানা ফিল্ড গোল অমা অনীশুবা ক্বার্টরগী শান্নবগী ২০ শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা অহল্লুপ টিমবু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

জেরিনানা মখা তানা শান্নবগী ২৩ শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা মহাক্কী হেটট্রিক গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা লনচেনবীনা ফিল্ড গোল অমগা চনশিন্দুনা ৱাই সী সী আই সীবু ৫-০দা অহুমশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

টিম অনীনা অরোইবা ক্বার্টরগী শান্নবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী টি দব্লিয়ু সীনা কোন্থা অহল্লুপ টিমবু ৫-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

অমরোমদা, নুপামচাগী পুল এগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা হোক্কী য়ুনিয়ন-এ লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমদি টি দব্লিয়ু সী-বি তাওবুংখোক ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

হোক্কী য়ুনিয়নগী ৱাই টোরেসনা শান্নবা হৌরকপগী ৮শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা অনীশুবা ক্বার্টরদা তাওবুংখোক্কী মায়কৈদগী ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা এল সনরাজনা শান্নবগী ১৪ শুবা মিনটতা গোল ওন্থোক্তুনা ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়নননা ১-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

মখা তাবা অনীশুবা হাফকী শান্নবদা টিম অনীগী মায়কৈদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ফংলবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নদবদগী ১-১দা দ্রো ওইখিবনি।

# জোকোভিক ফ্রেঞ্চ ওপনগী লাষ্ট ১৬ চঙখ্রে



পেরিস, মে ২৭ (এজেন্সী): তোপ সীদ নোভাক জোকোভিকনা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা স্লোভেনিয়াগী অলজাস বেদিনবু ৬-৩, ৬-৩, ৬-২দা মায়থীবা পীরল্লগা ফ্রেঞ্চ ওপনগী ৪শুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখিবগা লোয়নননা ২১ শুবা গ্রান্দ স্লাম মায় পাকপগী রেকোর্দ মান্নহনবা ঙমখ্রে।

কোর্টতা পুং ২দগী তাদনা শান্নবা চহী ৩৫ শুরবা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান জোকোভিকনা মথংগী মেটচতা অর্জেন্টিনাগী ১৫শুবা সীদ দিএগো স্বার্টজমেনগা লম্বা তৌনরগনি।

জোকোভিকনা ওনকোর্ট ইন্টর্ভিয়ু অমদা ফোঙদোকখিবদা, ঐনা এগ্রেসিভ গেম শান্নবা পাম্মী। মসি মতম চুপ্পদা ওইথোকপদি নত্তে। অদুবু ঙসিগী মেটচ অসিদি য়াম্না ফজনা পাঙথোকখ্রে হায়খি।

# গভর্ণর লা গনেসননা ইন্দিয়া বূক ওফ রেকোর্দ চনখ্রবী সোইবম বিন্দেশোরীবু ইকাই খুম্নখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস): সোইবম বিন্দেশোরী চনুনা লেংদবা কম্মিটমেন্ট অমগা লোয়নননা জপানিজ মার্সিএল আর্ট কারাটিদা মাষ্টর তৌদুনা ৱর্ল্ড কারাটে ফেদরেসননা সর্টিফাইদ তৌবা কাটা অমদি কুমাইট অনীগী কোচ লাইসেন্স ফংদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী কারাটে কোচ ওইবা ঙম্লকপা অসিদা শকখঙবীদুনা ইন্দিয়া বূক ওফ রেকোর্দনা মহাকপু স্পেসল রিকগ্নিসন অমদি কম্মেন্দেসন এপ্রিল ২৩দা পীরকখিববু ঙসি রাজ ভবনদা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা গভর্ণর লা গনেসননা মেদল অমদি সর্টিফিকেট খূৎশিন্নদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে।

সোইবম বিন্দেশোরী চনু হৌজিক-হৌজিক কারাটে ইন্দিয়া ওর্গনাইজেসনগী ৱিমেন্স কম্মিসনগী ভাইস চ্যেরমেনগী ফমসু পুরি। মহাক মণিপুর এমেচর কারাটে দো এসোসিএসন অমদি কে আই ও নোর্থইষ্ট জোনগী রেফরি কম্মিসনগী মেম্বর অমসু ওইরি।

নীংশিংবা য়াবদি, সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী এদভোকেট ডা. জি ভি এন আর এস এস এস ভারা প্রসাদনা ফোর্মেল জজমেন্ট অমা পীরবা মতুং বিন্দেশোরীবু ইন্সপায়র, মোটিভেট অমদি পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা ইন্দিয়া বূক ওফ রেকোর্দনা মহাকপু ইকাই খুম্নখিবনি।

# এ আই এফ এফনা ষ্টেটকী ওফিসল মরি খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস): অসামদা পাঙথোক্কদৌরিবা হেরো জুনিয়র অন্দর-১৭ ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২২গী মেটচ ওফিসল ওইনবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না ষ্টেটকী ওফিসল মরি খল্লক্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

খনগৎলবা ওফিসলশিং অদুদি টি রঞ্জিতা, ঈ দেবলা, রোশনী মাইবম চনু অমদি চিম চিম সর্টোনি।

টি রঞ্জিতা অমদি ঈ দেবলা অনীনা গুৱাহাটিদা জুন ১৮দগী জুলাই ৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা মেটচশিংগী ওফিসল ওইনবা জুন ১৫দা রিপোর্ট তৌরগদবনি। মখোয় অনীগী ফাইনেল মেটচ দেনা জুলাই ৪ ওইগনি।

রোশনী মাইবমগীসু গুৱাহাটিদা জুন ১৮দগী জুলাই ৪ ফাওবা পাঙথোক্কদবা মেটচশিংগী ওফিসল ওইনবা জুন ১৯দা রিপোর্ট তৌগদবনি। মহাক্কী ফাইনেল দে মেটচসু জুলাই ৪দা ওইগনি।

চিম চিম সর্টোগী ওইনা দিমাকুচিদা জুন ২১দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কদবা মেটচশিং কন্দক্ট তৌনবা জুন ১৮দা রিপোর্ট তৌগদবনি। মহাক্কী ফাইনেল দে মেটচনা জুন ২৬ ওইগনি হায়রি।

টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি

# জি-৫ হৈরোক, য়াইওইবী এফ সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস): তেন্থা খোংবাল ৱেলফেয়র এসোসিএসন (টি কে দব্লিয়ু এ)না শীন্দুনা তেন্থা মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা চথরিবা টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অনীদা জি-৫ হৈরোক অমদি য়াইওইবী এফ সী লমজাও মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা জি-৫ হৈরোকনা মৈরা এফ সী তেকচমবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা হৈরোক টিমগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা খূদুম চন্না শান্নখি। হৈরোক্কী কবিরাজনা শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনখিবগা লোয়নননা তেকচম টিমবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা মৈরাগী মায়কৈদগী গোল হন্দাকপা য়াবা তাঞ্জা ফংলবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অরেম্বা তাখি। মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা প্রেমজিৎনা হৈরোক টিমগী গোল ১গা হাপচিন্দুনা মৈরা এফ সীবু ২-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা য়াইওইবী এফ সী লমজাওনা সঙাইকোন এফ সী খেকমনবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়াইওইবী এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কিশোননা শান্নবগী ১২ অমদি ২১ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা চিত্তরঞ্জন অমদি নোংদম্বনা শান্নবগী ৩২ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি।

খেকমন টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা বেখমনা শান্নবগী ২৯ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# দি এস এ চান্দেলগী চহীগী কেলেন্দর ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলগী চহী অসিগী পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিং য়াওবা কেলেন্দর ফোঙখ্রে।

দি সী চান্দেল ট্রোফি অমদি এ দি সী চান্দেল ট্রোফি সুপর দিভিজন লীগ চহী অসিগী জুলাই ৪দগী হৌরগনি। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা ফর্ষ্ট এন্দ সেকেন্দ দিভিজন লীগনা জুলাই ১৫দগী হৌরগনি।

দি এস এ চান্দেলদা এফিলিএট তৌবা ক্লবশিংগী রিন্যুএল অমদি অনৌবা ক্লবশিং রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী মতম্না থা অসিগী ২৫দগী জুন ১০ ফাওবা ওইগনি। ক্লব রিন্যুএলগী ওইনা ফী লুপা লিশিং ২ অদুগা অনৌবা ক্লব রেজিষ্ট্রেসনগী ওইনা ফী লুপা ২,৫০০ ওইগনি।

শান্নরোয়শিংগী ইন্টর ক্লব ট্রান্সফর অমদি লোনগী মতম্না জুন ১দগী ২০ ফাওবা ওইগনি অমদি ফীনা লুপা লিশিং ১ লৌগনি।

মথক্তা পনখিবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াগদবা ক্লবশিংনা রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী অরোইবা মতম্না জুন ২২ ওইগনি অদুগা মেনেজর মীটিংনা জুন ২৪দা ওইগনি। ওফিসল অমদি প্লেয়রশিংগী লিষ্ট থাগৎপগী অরোইবা মতম্না জুন ২৭ ওইগনি।

টুর্নামেন্টকী রেজিষ্ট্রেসন, ক্লব রিন্যুএল অমদি অনৌবা ক্লব রেজিষ্ট্রেসনন চিংবগী ফী পেমেন্টকী ওইনা দি এস এ চান্দেলগী বেঙ্ক একাউন্ট নম্বর য়ুকো বেঙ্ক চান্দেল-২৯৯৮০১১০০৮৭২২০, আই এফ এস সী-য়ুসীবিএ০০০২৯৯৮ দা পেমেন্ট তৌগদবনি।

অতোপ্পা গুগল পে শীজিন্ন-নিংবশিংনা দি এস এ চান্দেলগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ জয়সিং মোন্সাংগী একাউন্টতা মোবাইল নম্বর ৯৬১২৫৯৪২৫৫ শীজিন্নরগা ট্রাঞ্জেক্সন তৌবা য়াগনি হায়রি। মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক দি এস এ চান্দেলদা এফিলিএট তৌবা ক্লবশিংনা এসোসিএসনগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ জয়সিং মোন্সাং অমদি এন জি বেলিং মোয়োনদগী খঙলবা য়াগনি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট সুব্রোটো

# থৌদাম লৈশাংথেম স্কুল, হৈরোক হায়র সেকেন্দরি সেমী চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস থৌবালনা শীন্দুনা কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা সুব্রোটো মুখর্জী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি চহী ১৪ মখাগী শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা থৌদাম লৈশাংথেম হায় স্কুল অমদি হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুল সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

থৌদাম লৈশাংথেম হায় স্কুলনা য়াইরিপোক হায় স্কুলগা অহানবা সেমীফাইনেলদা অদুগা হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা খোংজেঈম ষ্টেন্দর্দ ইংলিশ স্কুলগা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা থাংজ নুমিৎতা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা এল সুশিলনা চনখিবা গোল ৫ অমদি এল চৌরজিৎনা শান্নবগী ৪৬ শুবা মিনটতা চনখিবা গোল ১গী মতেংনা থৌদাম লৈশাংথেম হায় স্কুলনা পব্লিক ইংলিশ স্কুল লৈশাংথেমবু ৬-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙম্লকখিবনি।

সুশিলগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবগী ১৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ২৩ শুবা মিনটতা অদুগা মহাক্কী হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ৩২ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী লেমহৌরিবা গোল অনী অদুনা শান্নবগী ৪০ অমদি ৫০ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা হৈরোক হায় স্কুলনা এ জি মেমোরিএল একাদেমি হাওখাবু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখি।

হৈরোক স্কুলগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এল বিক্রমজিৎ, এ দেবো অমদি টি লিক্সননা শান্নবগী ৮, ৩৬ অমদি ৫০ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি এম ননাওনা হৈরোক্কী এল বেলোট অমদি এ জি গী সটিশপু শান্নবগী ৭ অমদি ২১ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখি। মেটচ অসিদা নসির খান অমদি তাতুনা এসিষ্টেন্ট রেফরি অমদি ইবোমচানা ফোর্থ ওফিসল ওইনা শরুক য়াখি।

# ষ্টেটকী শান্নরোয় ৩, ওফিসল ১ সাউথ এসিয়ন কারাটে চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারগনি

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চালসাদা জুন ২৪দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১শুবা সাউথ এসিয়ন অশিহারা কারাটে চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ানবা ওল ইন্দিয়া ক্যোকুশিনকাই কারাটে ফেদরেসন (এ আই কে কে এফ)না ষ্টেটকী শান্নরোয় ৩ অমদি ওফিসল ১ খল্লক্লে।

খল্লক্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি শিমঙানিং এম (কেজি ৬০ মখা), হোরঙমশাং চিপহাং (কেজি ৬৫ মখা) অমদি মাশুংঙম হোরাম (কেজি ৭০ মখা)নি। অতোপ্পা ওফিসল অদুনা সী ঐচ প্রেমচন্দ্র (টিম কোচ কম মেনেজর)নি হায়না ক্যোকুশিনকাই কারাটে এসোসিএসন মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।


SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPERMARKET
1st POSITION HOLDER HSLC 2019 (BOSEM) BHUMIKA SHAMURAILATPAM
2nd POSITION HOLDER HSLC 2019 (BOSEM) SHOPHIYA ASEM
ADMISSION OPEN
BOSEM/COHSEM/CBSE Separate class
SCIENCE, ARTS & COMMERCE
MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
16th FOUNDATION COURSE 2022 (2nd batch) FOR CLASS IX,X,XI &XII
CLASS START :18th May, 25th May,30th May 2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
TEACHERS WANTED
PHYSICS,CHEMISTRY,BIOLOGY
M.sc. working in CBSE school
HL-B/7641/12/5-9/7


আই পি এল : রাজস্থান রোয়লসনা

# রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোর থোইখ্রে

গুজরাট, মে ২৭ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী ঙসি অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ক্বালিফায়র ২গী মেটচ অমদা রাজস্থান রোয়লসনা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

রোয়ল চেলেঞ্জর্সনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৫৭ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা রাজস্থান রোয়লসনা ওভর ১৮.১দা ৱিকেট ৩ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা রন ১৬১ লৌদুনা আর সী বিবু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখিবনি।

মায় পাকখিবা রাজস্থান রোয়লসনা গুজরাট টাইটান্সকা থা অসিগী ২৯গী নুমিদাং পুং ৮দা অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

# কাং টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস): শীংজমৈ কাংখূৎনা শীন্দুনা অহানবা ফুরাইলাৎপম চূড়ামণি (তোঞ্জাও) নীংশিং কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০২২ চহী অসিগী জুন ৫দগী হৌদুনা শীংজমৈ কাংশঙদা পাঙথোক্লগনি হায়না শীংজমৈ কাংখূৎকী সেক্রেটরি সিনাম শরতনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা কাংবু নুংশিজবশিং, ক্লবশিং অমদি ৱেল ৱিশর পূম্নমক্না লাকপীদুনা শরুক য়াবা য়ারগনি।

মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক শীংজমৈ চীংঙা মথক্তা লৈবা শীংজমৈ কাংখূৎকী ওফিসতা লাকপীদুনা খঙলবা য়াগনি হায়রি।


IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI - MANIPUR

Ref. Mutation Case No. 160/SDC/Kumbi/2022

Konthoujam Nando Meitei S/o (L) K. Bokul Meitei of Phougakchao Ikhai Mayai Leikai. -Petitioner

-Vs-

Konthoujam Bokul Singh S/o (L) K. Tonsana Singh of Phougakchao Ikhai Mayai Leikai. -Pattadar

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / NOTICE

Kumbi, 27-05-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৯৮-তোরবুংদা লৈবা পাট্টা নং E (অরিবা) অমসুং ২৪৩ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ১৪৬১ এরিয়া ০.১২ একর চাওবা লম-ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: পাট্টাদার ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌজরোই।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Kumbi

HL-P/2836/28



IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI - MANIPUR

Ref. Mutation Case No. 162/SDC/Kumbi/2022

Shagolsem Kulla Meetei S/o (L) Tarpon Singh of Wathalambi -Petitioner

-Vs-

(Late) Shagolsem (O) Sanahanbi Devi W/o (L) S. Tarpon Meetei of Wathalambi -Pattadar

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / NOTICE


Kumbi, 27-05-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫৫-সাইতোনদা লৈবা পাট্টা নং ২০৫২ (অনৌবা) সী এস দাগ নং (১) ৫৩৪৯, (২) ৫৩৮১/৫৬৮৯ এরিয়া (১) ১.২৫, (২) ০.৬২ একর চাওবা অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার মৃ: পাট্টাদার ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌজরোই।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Kumbi

HL-P/2836/28


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 466

Vigen Mirumian (2505) - Richard Biolek (2425)
FST, 1998

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.Nf3 g6 | 2.g3 Bg7 | 3.Bg2 e5 | 4.O-O c5 |
| 5.c4 Nc6 | 6.Nc3 Nge7 | 7.Rb1 d6 | 8.a3 a5 |
| 9.Ne1 O-O | 10.Nc2 Be6 | 11.Ne3 f5 | 12.d3 f4 |
| 13.Ned5 g5 | 14.b4 axb4 | 15.axb4 cxb4 | 16.Nxb4 g4 |
| 17.Nbd5 Rb8 | 18.Be4 Nf5 | 19.Ba3 Rf7 | 20.Nb5 Bf8 |
| 21.gxf4 Qh4 | 22.Bg2 Bxd5 | 23.cxd5 Ncd4 | 24.fxe5 dxe5 |
| 25.d6 Bh6 | 26.e3 g3 | 27.hxg3 Nxg3 | 28.Re1 Rxf2 |
| 29.Nxd4 exd4 | 30.Rb2 dxe3 | 31.Qb3+ Kh8 | 32.d7... |

**QUESTION :**
Black to win

**Puzzle 465 Ans. :**

30. Rexe5 The white rook captures Black's knight, which was defending square d7. fxe5 31. Rd7 The white rook attacks Black's queen, which is defending Black's pawn. Qc1+ 32. Bd1 Qxh6 33. Qxe5+ Kg8 34. Bb3+ Rc4 35.Bxc4+

30. Rexe5 fxe5 31. Rd7 Qc1+ 32. Bd1 Qxh6 33.Qxe5+
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com